# ত্রিপুরা এসেমব্লি মীখলদা পামদবা থৌদোকশিং থোকহল্লোই হায়না ইলেক্সন কিম্মসননা থাজবা পীখ্রে

অগরটালা, জানুৱারী ১৩ (এজেন্সি): মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রিপুরা ষ্টেট এসেমব্লি মীখল য়াম্না ট্রান্সপরেন্ট ওইনা অমদি য়ৈখায় থিনগায়বগী থৌদোক অমত্তা থোকহন্দনবা হোৎনগনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা ঙরাং ষ্টেট অসিগী মীয়াম অমদি লৈঙাক্তা থাজবা পীখ্রে।



চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নর রজিব কুমারনা লুচিংবা মীওই ১৫ না শাবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী অখন্নবা টিম অমা হৌখিবা য়ুমশকৈশো নুমিত্তা অগরটালাদা থুংলখিবগা লোয়ননা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা পাঙথোকখি। খন্ন নৈনবগী মীফম অদু পাঙথোল্লবা মতুং চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নর রজিব কুমারনা ফোঙদোকখিবদা, মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিগা মরী লৈননা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিং, দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিং, পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসলশিং অমদি ইনফোমর্সমেন্ট এজেন্সিশিংগা উন্নদুনা মীখলদা অশোয় অঙাম থোকহন্দনবগীদমক খন্নরে। ঈ সী আইগী পান্দমদি পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসি ভাইওলেন্স ফ্রি ওইবা মীখল ওইহনবনি। মসিগীদমক ইলেক্সন কম্মিসনগী মায়কৈদগী পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎলি। মীয়াম্নসু নিয়ম চুম্না পাঙথোকপা মীখল অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা মরী লৈনবশিংগী থবক থৌরমশিংদা অয়েৎপা পীরোইদবনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ত্রিপুরা লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী সীট ৬০ লৈবগী মনুংদা ৩০ না জেনরেলগীনি, ১০ না সেদ্যুল কাষ্ট অমসুং ২০ না সেদ্যুল ট্রাইবকীনি। ষ্টেট অসিগী ওইনা ভোট থাদবা য়াবা অপুনবা মী মশিংনা ২৮,১৩,৪৭৮ নি। মসিগী মনুংদা ৬৫,০০০ দি অহানবা ওইনা ভোট থাদগদবশিংনি। পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিগী ওইনা পুন্না পোল্লিং ষ্টেসন ৩৩২৮ লৈগনি। মদুগী মনুংদা ৭০৭ না অর্বান এরিয়াগীনি অদুগী ২৬২১ না রুরেল এরিয়াগীনি। ইলেক্সন কম্মিসনগী মায়কৈদগী ট্রান্সজেন্দরশিং অমদি পি দব্লিয়ু দিশিংবুসু ইলেক্টোরেলদা য়াওহন্নবা কন্না হোৎনরি। মীয়াম্নসু ভোট থাদনবা হোৎনগদবনি হায়রি।



হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস সঞ্জয় কুমারনা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিস ওথোরিটিগী চহীগী ওইবা কেলেন্দর ফোঙদোকখিবা

# নাগা পোলিটিকেল ইস্যুগী ৱারোইশিন পুরক্নবা দিমান্দ তৌরদুনা ষ্টেট পুম্নদা বন্দ লাউথোকখ্রে




কোহিমা, জানুৱারী ১৩ (এজেন্সি): মতম শাংনা চয়েৎনদুনা লাক্লবা নাগা পোলিটিকেল ইস্যু চহী অসিগী মার্চ থাদা পাঙথোক্লবা শেম শারিবা নাগালেন্দ ষ্টেট এসেমব্লি মীখলগী মমাংদা ৱারোইশিন পুরক্নবা দিমান্দ তৌরদুনা হয়েং ষ্টেট পুম্নদা পুং ৬ কী বন্দ লাউথোকখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা নাগালেন্দ পিপলস এক্সন কম্মিটিনা বন্দ কৌখিবগী মতাংদা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নাগাগী ওইনা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা বোদিশিংনা মতম কয়াগী মমাংদগী নাগা পোলিটিকেল ইস্যুগী ৱারোইশিন পুরক্নবা দিমান্দ তৌদুনা লাক্লি। অদুবু ঙসি ফাওবদা মরী লৈনবশিংনা হিরম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙলগা থবক তৌদবনা মরম ওইরগা ঙসি ফাওবা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদনা লাকপনি। চহী অসিগী মার্চ থাদা পাথোক্কদৌরিবা নাগালেন্দ এসেমব্লি মীখলগী মাঙওইননা ৱারোইশিন পুরক্নবা লেপ্পা লৈতনা মীয়াম্না দিমান্দ তৌরবসু মসিগী মতাংদা সেন্টর অমদি ষ্টেটকী মায়কৈদগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা লৈত্রি। মসি নাগা মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা লৈরিবা ষ্টেট গভর্নমেন্ট অসিনা থবক তৌদে হায়বনি। মরম অদুনা তঙায়ফদনা হয়েং ষ্টেট পুম্নদা বন্দ তৌনবা ফিরেপ লৌরকখিবনি হায়রি।

নাগালেন্দ পিপলস এক্সন কম্মিটিগী চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, নাগা মীয়াম্না তাল্লিবা দিমান্দ ফংদ্রিবা ফাওবা মীয়ামগী খোঙজং হন্দোকপা লৈরোই। হয়েং ষ্টেট পুম্নদা কৌরিবা বন্দ অসি ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না মপুঙ ফানা শৌগত্তুনা মপুঙ ফাহনবদা মতেং পাংবীয়ু। নাগাগী মীয়াম্না নাগা পোলিটিকেল ইস্যুগী ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনবদা অমত্তা ওইনা লেপ্লি হায়বদু মরী লৈনবশিংদা ময়েক শেংনা খঙহল্লসি হায়রি।

# লম্বীদা মপু লৈতবা অচৌবা বেগ অমা লৈরম্বদগী বোম ওইরবোই খন্দুনা মীয়াম মিপাইনরুরে

শিল্লোং, জানুৱারী ১৩ (এজেন্সি): মেঘলায়া ষ্টেট এসেমিব্ল মীখলগী মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা ভোটতা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং কনখৎনরক্লিঙৈ মরক অসিদা ঙসি মপু লৈতবা অচৌবা বেগ অমা পেট্রোল পম্প অমগী মনাক্তা লৈরম্বা থেংনবদগী খুদক্কী ওইনা মীয়াম্না বোম ওইরবোই খল্লুবদগী মীপাইবা অমদি চরাংনবগী থৌদোকশিং থোকখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসি ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তাবদা শিল্লোংগী অঞ্জলি পেট্রোল পম্প মনাক্তা থোকখিবনি। পেট্রোল পম্প মনাক্তা বোম য়াওরম্বা য়াই চিংনবা বেগ অমা লৈরে হায়বগী পাউ ফংলবা মতুং মেঘলায়া পুলিসকী টিম অমা বোম স্কৱাদকা লোয়ননা মফম অদুদা চঙশিনখি। অমদি পম্প অদুগী অকোয়বদা গাড়িশিং চথোক চৎশিন তৌবদা মতম খরগী ওইনা থিংদুনা থমখি। বোম স্কৱাদশিংনা য়াম্না চেকশিন্না বেগ অদু হাঙদোক্তুনা য়েংলুবা মতমদা ফি অমনবা খরা য়াওরম্বা থেংনখি। অদুবু বোমদি য়াওরমখিদে। মদুগী মতুং থিংদুনা থল্লম্বা লম্বী অমুক হন্না হাঙদোক্তুনা হান্নগুম চথোক চৎশিন তৌবদা অয়াবা পীখি হায়রি।

অমরোমদা চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ কে সংমানা ফোঙদোকখিবদা, থা অসিগী ১০ দা থোকখিবা মোবোদা লৈবা য়ুম অমা মৈ চাকপগী থৌদোক্তা অঙাং অনী থিবা ফংদনা লাকখিবা অদু শিনা থেংনখ্রে। থৌদোক অসি য়াম্না লাইবক থিবা থৌদোক্লি। লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়রি।

# কাজিরঙ্গ নেসনল পার্কতা কম্ম্যুনিটি ফিসিং অথিংবা থমখ্রে

কাজিরঙ্গ, জানুৱারী ১৩ (এজেন্সি): মীয়াম্না ভোগালি বিহু হায়রগসু হেন্না খঙনরিবা অসামগী মাঘ বিহুগা মরী লৈননা কাজিরঙ্গ নেসনল পার্কতা হান্না কম্ম্যুনিটি ফিসিং তৌরম্বা অদু হন্দক্কী চহীগী ওইনদি অথিংবা থল্লে হায়না মরী লৈনবশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

কাজিরঙ্গ নেসনল পার্ক মনুংদা মীয়াম্না ভোগালি বিহুগা মরী লৈননা ঙা ফাবগী কুম্মৈ পাঙথোক্লম্বা অদু হন্দক চহীগী ওইনা অথিংবা থল্লে হায়না গোলাঘাট দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা ঙসি ওর্দর অসি থোকখিবনি। ওর্দর অসিগী মতুংইন্না কাজিরঙ্গ নেসনল পার্ককী মনুংদা লৈরিবা পাৎ অমদি তুরেলশিংদা ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওদনা ঙা ফাবগী থবক থৌরম খুদিংমক্তা অথিংবা থল্লে। মাঘ বিহুগী মীংদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী মীওই কয়া নেসনল পার্ক মনুংদা ঙা ফাবা চঙলকপনা মরম ওইরগা পার্ক অসিগী মনুংগী শক্তমদা চাওনা অকায়বা পীরে হায়রি।

# ঙমখৈগী শরুক্তগী ফোরেন সিগরেটশিং ফাগৎখ্রে

আইজোল, জানুৱারী ১৩ (এজেন্সি): অসাম রাইফলস অমসুং কষ্টম ওফিসলশিংনা মিজোরাম অমসুং ম্যান্মার লৈবাক অনীগী লোন্নবা ঙমখৈগী শরুকশিংদা চথুখিবা থি হুন্বগী থবক্তা ইল্লিগেল ওইনা স্মগল তৌনবা হোৎনরম্বা লুপা লাক্ষ ৫ রোমগী ওইগদবা ফোরেন সিগরেটশিং ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়রি।

অসাম রাইফলসনা হিরম অসিগা মরী লৈননা থাদোরকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না, মিজোরামগী জেখাথার ভিলেজদা ঙরাং নুমিদাং চথুখিবা থি হুন্বগী থবক্তা ফোরেন সিগরেটশিং অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি। ঙমখৈগী শরুকশিংদা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা অথিংবা থমখ্রবা পোৎলমশিং পাক শন্না লল্লোনবগী থবক চথুরে হায়বগী পাউ ফংলবা মতুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চিংনবা মফমশিংদা থি হুন্বগী থবক চথুদুনা লাকখিবনি। ইন্টরনেসনল বোর্দরগী শরুক ওইবনা ইল্লিগেল ওইনা লল্লোনবগী থবক তৌরিবশিং ফানবা অমদি থিংনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি হায়রি।

# তিপ্রা মোথানা ইলেক্সনদা পুন্না চৎমিন্নবা আই পি এফ টিদা ফোর্মেল ওইনা হায়খ্রে

অগরটালা, জানুৱারী ১৩ (এজেন্সি): গ্রেটর তিপ্রালেন্দগী পান্দম ফংনবা হোৎনবদা তিপ্রা মোথানা ষ্টেট অদুদা রুলিং পার্টি ওইরিবা বি জে পিগা পুন্না চৎমিন্নরিবা আই পি এফ টিদা ফোর্মেল ওইনা হায়খিবগা লোয়ননা পার্টি অনী অসি পুন্না চৎমিন্নরবদি ইলেক্সনদা চাওনা মায় পাকপা ঙম্বগা লোয়ননা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপদা হেন্না খুমাঙ য়াঙশিনবা ঙমগনি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা তিপ্রা মোথাগী চীফ প্রদ্যোৎ বিক্রম মনিকয়া দেববর্মনা ফোঙদোকখিবদা মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লি মীখলদা পুন্না থবক তৌমিন্নবগীদমক আই পি এফ টিগী জেনেরল সেক্রেটরিদা ওফিসল ওইনা অঙীবা চেরোল পীশিনখ্রে। মহাক্না পীশিনখিবা চেরোল অদুগী মতুংইন্না পার্টিগী ওইবা পোষ্ট নৎত্রগা মমিংদা মহাক্কী ওইবা ইন্টরেষ্ট অমত্তা লৈতে। মহাক্কী অপাম্বদি তিপ্রাসাশিংনা মখোয়গী রাইটকীদমক লান্থেংনরিবা অসি মায় পাকহনবনি। মসিদা তিপ্রা



মোথা নৎত্রগা আই পি এফ টি হায়না খায়দোকপা মহাক্না পামদে। ঐখোয়না পুন্না থবক তৌদ্রবদি মীয়াম্না তাল্লিবা দিমান্দশিং ফংবা ঙল্লোই। মরম অদুনা মীয়ামগীদমক খল্লগা ঐখোয়না পুনশিন্দুনা থবক তৌবগী মতম ওইরে। পার্টি অনী অসিনা অমত্তা ওইনা পুনশিনবা মতমদা শোয়দনমক্কী মীয়াম্না পাম্বা পার্টি অমা ওইবা ঙম্বগা লোয়ননা পার্টি অসিবু অতোপ্পা পার্টিশিংনা মায়থিবা পীবা ঙল্লোই হায়রি।

অমরোমদা তিপ্রা মোথাগী লুচিংবা অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, গ্রেটর তিপ্রালেন্দগী দিমান্দ ফংনবা হোৎনবা হায়বসি মহাক অমদি মহাক্কী পার্টিগী অমত্তা ঙাইরবা পান্দমনি। মসিগীদমক মহাক্কী মায়কৈদগী অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি। তিপ্রালেন্দ দিমান্দ তৌরিবা পার্টি খুদিংমক অমদি ৱাখল্লোন মান্নবশিংনা পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা পুন্না থবক তৌমিন্নসি হায়রি।

## CROSSWORD-3759



**ACROSS**
1. Motorcycling event(8)
6. Also(3)
9. Spring month(5)
10. Move forward(7)
11. Fiasco(7)
13. Gloss(5)
14. The sign of the bull(6)
15. Summary(6)
19. Perfume(5)
21. Endanger(7)
22. Submarine weapon(7)
23. Contempt(5)
24. Owing(3)
25. Immaculate(8)

**DOWN**
2. The American reindeer(7)
3. Boring tool(3)
4. Bold as brass(6)
5. Listen secretly(9)
6. Strained(5)
7. Large sea(5)
8. Brigand(6)
12. Very many(9)
16. Root vegetables(7)
17. Mute(6)
18. Japanese robe(6)
19. Located(5)
20. Eagle's nest(5)
23. The sun(3)

Solution 3758




SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-5057**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 9 | 3 | | | 7 | | 8 | |
| | | 1 | | | 3 | | | |
| 5 | | | 8 | | | | | |
| 7 | 6 | | | 4 | | 5 | | |
| 8 | 1 | | | 6 | | | 3 | 9 |
| | | 5 | | 7 | | | 6 | 4 |
| | | | | | 4 | | | 1 |
| | | | 9 | | | 8 | | |
| | 5 | | 2 | | | 3 | 4 | |

**Solution-5056**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 3 | 9 | 8 | 1 | 2 | 4 | 6 | 7 |
| 7 | 1 | 8 | 6 | 3 | 4 | 2 | 5 | 9 |
| 6 | 2 | 4 | 5 | 9 | 7 | 1 | 8 | 3 |
| 4 | 7 | 5 | 9 | 2 | 6 | 8 | 3 | 1 |
| 1 | 9 | 2 | 3 | 8 | 5 | 6 | 7 | 4 |
| 8 | 6 | 3 | 4 | 7 | 1 | 5 | 9 | 2 |
| 9 | 5 | 6 | 2 | 4 | 3 | 7 | 1 | 8 |
| 3 | 4 | 7 | 1 | 6 | 8 | 9 | 2 | 5 |
| 2 | 8 | 1 | 7 | 5 | 9 | 3 | 4 | 6 |

## EMPLOYMENT NEWS

### ASSAM AGRICULTURAL UNIVERSITY RECRUITMENT 2023 FOR CONTRACTUAL WORKER

Assam Agricultural University Contractual Worker Recruitment 2023: Advertisement for the post of Contractual Worker in Assam Agricultural University. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 19 January 2023. Candidates can check the latest Assam Agricultural University Recruitment 2023 Contractual Worker Vacancy 2023 details and apply online at the www.aau.ac.in/ recruitment 2023 page.
Assam Agricultural University Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.aau.ac.in/. Assam Agricultural University selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of www.aau.ac.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Vacancy Circular No:
Assam Agricultural University (AAU)
invites applications for recruitment of Contractual Worker
Assam Agricultural University (AAU)
Assam Agricultural University (AAU) Recruitment 2023 Details
Company Assam Agricultural University
Job Role Contractual Worker
Education Requirement M.Sc
Total Vacancy Various Post
Job Locations Jorhat
Experience Fresher
Salary 10000(Per Month)
Posted on 05 Jan, 2023
Walkin Date 19 Jan, 2023
Educational Qualification: M.Sc. (Agriculture) in Entomology.
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale:
INR
10000(Per Month)
Age Limit: 35 years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on a written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Contractual Worker in Assam Agricultural University.
How to Apply:
Candidates who wish to join in Assam Agricultural University can walkin for the interview on 19/01/2023. The complete walkin process for Assam Agricultural University Recruitment 2023 will be available on the official notification.
Important Dates:
Published on: 06 January 2023
Last date for application is: 19 January 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### ASSAM AGRICULTURAL UNIVERSITY RECRUITMENT 2023 FOR 44 COMPUTER OPERATOR, MORE VACANCIES

Assam Agricultural University Senior Scientist and Head, Junior Stenographer and Computer Operator, More Vacancies Recruitment 2023: Advertisement for the post of Senior Scientist and Head, Junior Stenographer and Computer Operator, More Vacancies in Assam Agricultural University. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 11 February 2023. Candidates can check the latest Assam Agricultural University Recruitment 2023 Senior Scientist and Head, Junior Stenographer and Computer Operator, More Vacancies Vacancy 2023 details and apply online at the www.aau.ac.in/ recruitment 2023 page.
Assam Agricultural University Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.aau.ac.in/. Assam Agricultural University selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of www.aau.ac.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Vacancy Circular No:
Assam Agricultural University (AAU)
invites applications for recruitment of Senior Scientist and Head, Junior Stenographer and Computer Operator, More Vacancies
Senior Scientist and Head, Junior Stenographer and Computer Operator,
Company Assam Agricultural University
Job Role Senior Scientist and Head, Junior Stenographer and Computer Operator, More Vacancies
Education Requirement Any Bachelors Degree
Total Vacancy 44 Posts
Job Locations Jorhat
Educational Qualification: Any Bachelors Degree
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 18000 - 131400(Per Month)
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Senior Scientist and Head, Junior Stenographer and Computer Operator, More Vacancies in Assam Agricultural University.
How to Apply:
Candidates must apply for Assam Agricultural University Recruitment 2023 before the last date announced. Candidates, who apply for the Assam Agricultural University Recruitment 2023, can follow the procedure given to apply.
Step 1: Visit the official website of Assam Agricultural University aau.ac.in
Step 2: Search the notification for Assam Agricultural University Recruitment 2023
Step 3: Clearly read all the details given on the notification
Step 4: Check the mode of application as per the official notification and proceed further
Important Dates:
Published on: 09 January 2023
Last date for application is: 11 February 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং : হিয়াং অপাইবী

ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম

